‘মণিপুরদগী থাউ লৌথোকপা য়ারোই’

ইম্ফাল, জুন ০৮ : ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী হিল গাট কম্যুনিতি হোলদা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিতি মণিপুর (পি পি সি এম), কম্মিতি ওন দি প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিসোর্স ইন মণিপুর (সি পি এন আর এম) অমদি জিরি য়ুনাইটেদ কম্মিতি (জে য়ু সি), জিরিবামনা শীন্দুনা পব্লিক মীটিং ওন ওইল এক্সপ্লোরেসন এন্দ ড্রিল্লিং ইন মণিপুর হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অসিদা রিসোর্স পার্সল ওইনা জোন পামৈ, কনভেনর (সি পি এন আর এম), ফুলিন্দ্রে কোন্সম, চ্যেরমেন, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইট (সি ও ঐচ আর), মাজাবুং গাংমৈ, এক্টিভিস এক্স মেম্বর (সি পি এন আর এম), নোংথোম্বম বিমোল, কনভেনর (পি পি সি এম), মুতুম মৈপাকসনা, চ্যেরমেন, জে য়ু সিনা শরুক য়াদুনা মপুং ফাবা ফোঙথোকখি।

মীফম অদুদা ৰাই রোমেন, ফাইনান্স সেক্রেটরি, ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিএসন (এ জে য়ু সি এ) না ৰেলকম এদ্রেস পীদুনা অমদি জিতেন য়ুম্নাম, কো-কনভেনর (সি পি এন আর এম) না কি নোট এদ্রেস পীদুনা ঙসিগী মীফম অসি করিগীদমক্তা তৌরিবনো অমদি মীফম অসিগী নুঙগী ওইবা ৰাফম মীয়ামদা মরিক চুম্না ফোঙদোকখি।

ঙসি মীয়ামগী মীফমগা মরী লৈননা জিরিবাম প্রাজা মীয়াম, সি এস ওসশিং, পব্লিক লিদর অমদি মহৈরোইশিংসু শরুক য়াখি, লোয়ননা মণিপুরগী খন্দুনা অমদি মণিপুরদা লৈজরিবা মহৌশানা পীথোরকপশিং অসিবু মীতোপ্পা পীথোকখিবা অসি য়ানিংদে হায়দুনা তোঙান তোঙানবা মণিপুরগী সি এস ও এসকী মীহুৎশিং, জিরিবাম প্রজা, মৈরা পাইবী অমদি মহৈরোইশিংগী ওইবা মীয়ামগী রেলি অমসু পাঙথোকখি।

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto:22/04/2018
Valid From:16/04/2018
Stk :612 (CTC)
Timing : 07.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Xerox)
CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:14/05/2018
Valid From:09/05/2018
Stk 14kg :306, Rs.811.50/-
Stk 19Kg: 20
Timing : 08.00am to 10.00am
HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking Upto:09/05/2018
Valid From:07/05/2018
Stk :306
Timing : 07.30am to 10.30am
IMPHAL LPG SERVICE
SL.NO. 20000
Booking Upto:07/06/2018
Valid From:01/12/2017
Stk :306
(Delivery at Heinoupok)
JEMON GAS SERVICE, CHINGAMATHAK
SL.NO. 7600
Booking Upto:27/04/2018
Valid From:17/04/2018
Stk :306
Timing : 07.00am to 09.30am
K & K INDANE SERVICE
SL.NO. UPTO 50
Booking Upto:23/05/2018
Valid From:14/05/2018
Stk :612
Timing : 07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)
KHONGNANG GAS, BISHNUPUR
Booking Upto:16/05/2018
Valid From:14/05/2018
Stk :306
Timing : 07.30am to 10.30am
LEIBAKLEI GAS, KAKCHING
Booking Upto:26/04/2018
Valid From:15/04/2018
Stk :612
Timing : 07.30am to 11.00am
MM GAS SERVICE
Booking Upto:11/05/2018
Valid From:04/05/2018
Stk :306, Rs.811.50/-
(DBTL Only)
Stk 19kg=85/-, Rs.1506/-
Timing : 07.00am to 10.00am
MAIBIA GAS, MOIRANG
Booking Upto:05/05/2018
SL.NO. 0350
Valid From:01/05/2018
SL.NO. 9131
Stk :306
Timing : 07.00am to 11.00am
MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto:18/04/2018
Valid From:16/04/2018
Stk :612 (DBTL Only)
Timing : 07.30am to 09.30am
MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:30/04/2018
Valid From:16/04/2018
Stk :612
Timing : 07.30am to 10.00am
TDK, SEKMAI
Booking Upto:29/04/2018
Valid From:24/04/2018
Stk :612
Timing : 07.30am to 10.30am
YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto:10/05/2018
Valid From:03/05/2018
Stk :306
Timing : 07.00am to 10.00am
NONGPOK SEKMAI JCD INDANE
Booking Upto:27/04/2018
Valid From:07/04/2018
Stk :306
Timing : 08.00am to 11.00am

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মোরে কোলেজগী কম্প্যুটর ব্লোক অমদি তোইলেট কমপ্লেক্স শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস) :

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা ঙসি মোরেদা লৈবা মোরে কোলেজগী কম্প্যুটর ব্লোক অমসুং তোইলেট কমপ্লেক্স শঙ্গাখ্রে। মহাক্না শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা অফবা ক্লাসরুমশিং, সেনিতেসনগী খুদোংচাবা কম্মন রুমশিং অমসং কান্টিন মওং তানা লৈবা হায়বসি নেসনেল এসেসমেন্ট এন্দ এক্রেদিতেসন কাউন্সিল (এন এ এ সি)গী এক্রেদিভেসন ফংনবগী মরু ওইবা ক্রাইতিরিয়ানি হায়না ফোঙদোকখি।

নেসনেল এসেসমেন্ট এন্দ এক্তেদিতেসন কউন্সিল (এন এ এ সি)গী এক্রেদিতেসন পাইবা হায়বসি কোলেজশিংনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতগী শেলগী তেংবাং লৌবদা তঙাই ফদনা চঙই হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি মোরে কোলেজবু চাউখৎহনবদা এন এ এ সিগী এক্রেদিতেসন তঙাই ফদে।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মদুদি এচ এস এল সি অমদি হায়র সেকেন্দরি ইগজামিনেসনশিং পাস তৌবা মহৈরোইশিংগীদমক্তদি মখা তাবা ষ্টদিজগীদমক্তা মোরে কোলেজ অসি য়াম্না মরু ওই। মোরেগী মীয়াম্না মোরে কোলজবু মপুং ফাবা গভর্নমেন্ট কোলেজ ওইহন্নবা তাল্লিবা দিমান্দ অসি মরম চাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লমদম অদুদা তারিবা কাঙলুপ কয়াগী লুচিংবশিংনা চোকথবা নাইদনা হোৎনদুনা মোরে কোলেজ লিংখৎখিবা অমসুং কোলেজ অদুবু মোরে তাউন অমসুং অকোইবা ভিলেজশিংগী নহা ওইরিবা মহৈরোইশিংদা শিন্নবগীদমক্তসু মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না খোঙচৎ অদুদা টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী ব্লোক ইন্সটিট্যুট ওফ টিচর্স এদ্যুকেসন (বি আই টি ঈ)সু য়েংশিনখি। অতে টেক্নিকেলগী শিনফমশিংগুম্না ওজা অমা ওইবদা ওজাগী ট্রেনিংসু তঙাই ফদনা চঙই।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টরনা মোরেগী তোঙান তোঙানবা হায় স্কুলশিং অমসুং একোদামফ্রী কোচিং ক্লাসকী ঐচ এস এল সি ইগজামিনেসন, ২০১৮দা মাই পাক্লবা মহৈরোইাংগী ওইবা অনীশুবা ফেলিসিতেসন অমসুং প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরমদসু শরুক য়াখি। থৌরম অদু ওল কম্যুনিতি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে (একোদাম)না শীন্দুনা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবুংদা পাঙথোকখি।

য়ু পি এস সী এগজাম মায় পাক্লবা পূজা, জোন্সন ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

য়ু পি এস সী এগজাম মায় পাক্লবা পূজা এলাংবম, নিংথৌজম জোন্সন অমদি হন্দক চহীগী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ব এগজামগী টোপ্পরশিং অমদি মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক অচৌবদা লৈবা ইবুধৌ চীংজেং নরাল পাঙ্গনবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

য়ং প্রোগ্রেসিব এন্দ এথ্লেলেটিক য়ুনিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ু পি এস সী এগজাম মায় পাক্লবা পূজা এলাংবম, জোন্সন মীতৈ অমদি ক্লাস টেনগী টোপ্পর য়াইফবী ময়েংবম, ক্লাস টুয়েল্ব সাইন্সকী টোপ্পর সেলিনা কৈশাম, ক্লাস টুয়েল্ব আর্টসকী টোপ্পর নিংথৌজম রাধারানী, ক্লাস টুয়েল্ব কমার্সকী টোপ্পর সাগর অচার্য্য অমদি মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয় কয়াবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী রিটাইয়র্দ কম্মিস্নর ডো. আর কে নিমাইনা হায়খি, মহৈরোয় অমগী পূন্সিদা নিংহন্নবা লৈতনা থম্মোয় শেংনা হোৎনবদা মায় পাক্তনিংঙাই লৈতে। মহয় য়ানবা পূন্সি অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয় অমা ওইনা কমদৌনা পূন্সিগী পান্দম ফংনবা হোৎনগদগে হায়বগী মতাংদা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা স্পেসল ওলেম্পিক ভারত, মণিপুর চেপ্টরগী প্রসিদেন্ট প্রো. অক্ষয় কুমার ময়েংবমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। ষ্টেট এদভাইজরি কম্মিটি ওফ মণিপুর (জোইন্ট ইলেক্ট্রিসিটি রিগ্যুলেসন কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরাম)গী মেম্বর এদভোকেট এলাংবম দোলেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ইমপ্লোয়ীশিংদা ৭শুবা পে পীবা...

লামায় ১গী মখা... মখা তানা উনখি। সী এমগী চেয়রমেনশিপ মখাদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অদু খুৎয়েক পীনখি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটতা চঙবদা শরুক য়ারুবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিস ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পুরুজিৎ লাইরিকয়েংবমনা ফোঙদোকখিবদা, এম জি এস এফ, এম এস এস এ অমসুং এম এস পি য়ুগী মীহুৎশিংনা ঙসি চীফ সেক্রেটরিগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা অমুক ৱারী শানদুনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অসি খুৎয়েক পীনখিবনি। এম এস এস এ, এম জি এস এফ অমসুং এম এস পি য়ুনা চঙশিল্লম্বা খোঙজং অদু খূদক্তগী হন্দোক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

কানি, গঞ্জা ফারে...

লামায় ১গী মখা... ফাবনি হায়রি। অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্ট এদিসনেল এস পি (এল ও) ৰুংপম কসর (এম পি এস) মীৎয়েং মখাদা পোরোমপাৎকী এস দি পি ও এন শঙ্করজিৎ অমদি নাকোর্টিক সেলগী ওসি কে ঐচ দেবকুমার য়াওবা টীম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩৫ রোম তাবদা চেক্কোন এরিয়াদগী নুপী অমা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১,৬০০ গা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা নুপী অদুগী মমিংনা দৈতিংনেং (৫২) মপুরোইবা ঙমখোলেন কিপজেন কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুরগী ভেংনোম খুলদা লৈবনি। মঙোন্দগী ফারবা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ৪ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

খপলাংগী অহানবা কুমওনদা...

লামায় ১গী মখা... অসিনা মখা তারি। ঙসি লুচিংবা অসিনা থম্বীরম্বা মমল য়াম্লবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদু মহাক্কী মচা-মনাও ওইরিবা নাগাগী লুচিংবশিং অমদি লাম্মীশিংনা খুদুং ইন্দুনা রিজন অসিগী য়াওল ঈহৌদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বসিসু ঐখোয় খুদিংমক্কী থাজবা অমনি। থাজবা অসিগী মতুং ইন্না ৰেসিয়া লমদমগী য়াওল্লোয়শিংনা ঙসিসু মফম অসিদা য়াওল ঈহৌগী খোঙদাফম শেমদুনা ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরি অমসুং অঙম-অঙম্বা থৌদাং লৌনদুনা মফম অসিবু ঙাক শেনমিন্নরি। মসিমক বাবা খপলাংনা পামজরম্বা অমদি লমদম অসিগী য়াওল ঈহৌবু পূন্না হিংমিন্নদুনা য়েক্লবগা মায়োক্লমিন্নবা অদুনি হায়রি।

নাকল অমদনা বাবা খপলাংনা নাগা মীয়ামগী নিংতম্বগী খোঙজং অদু য়েক্লবদা ঙক নোল্লগা শন্দায়নদুনা চঙশিনগদবা নত্তে হায়বা মহাক্কী শেংলবা য়াওল লুচিংবা অমগী ৱাখল্লোন অদু ঙসিদি নাগাগী লালহৌবশিংখক্কী নৎতনা রিজন অসিগী ওইবা ৱাখল্লোন অমা ওইদুনা লৈহৌরগনি। মাগী অসিগুম্বা তমজনিংঙাই ওইরবা য়েক্লবগী মায়কৈ লেপ্পা ঙম্বা ৱাখল্লোন অসি লমদম অসিগী খুৎলায় পায়বা য়াওল ঈহৌদা পন্থুং তাল্লিবা য়াওল্লোলশিংগী লমজিং মৈরা ওইরগনি। লুচিংবা অসিনা হনবা লৈতনা পূন্সিগী অরোইবা ঈচেল ফাওবা য়াওল ঈহৌদা কথোকখিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা লেংদনা লৈহৌরগদবা ৱাশক অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

প্লাষ্টিক থিংদ্রিঙৈদা মহুৎ শিনবা য়াবা...

লামায় ১গী মখা... কায়বা প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবা তোক্লবা মীয়ামদা ৱাখল্লোন পীবা অমদি য়োনবা থিংনবগী দ্রাইব চথদুনা পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে অমদি হকচাংদা অকায়বা পীদবা অমদি অকোয়বগী খলদা থোইনা অকায়বা পীদবা, তুম্বা ঙম্বা মখলগী প্লাষ্টিক হায়বদি বাইও দিগ্রেদেবল প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী কেম্প্যেন ফাওবা হৌদোকখ্রে। অদুবু, মীয়ামগী ৱাখল্লোনদা কাঙলোন কায়বা প্লাষ্টিক অসি মখোয়দা চৎথোক-চৎশিন, পুথোক-পুশিনদা য়াম্না লায়বা অমদি মমল হোঙবনা মরম ওইরগা পাক হেক থাদোকপা ঙমদ্রি। অদুগা, অমুকসু বাইও দিগ্রেদেবল প্লাষ্টিক অসি মমল তাঙবনা মরম ওইরগা শীজিন্নবগী চাং অসি ৱাৎখি।

মরম অসিনা লৈঙাক অসিনা কাঙলোন কায়বা প্লাষ্টিক অসি থিংদ্রিঙৈ মমাংদা মাগী মহুৎ শিন্নবা চেগী খাউশিং মরাং কায়না পুথোকপা অমদি মাইক্রোন ৫০ য়ৌবা প্লাষ্টিক পোৎলম অমদি বাইও দিগ্রেদেবল প্লাষ্টিককী পোৎলমশিং অসি মমল হোঙনা অমদি মরাং কায়না ফংহনবগী অখন্নবা থৌরাং অমা শোয়দনা শিনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি অমদি হৌজিক কৈথেলদা মাইক্রোন ৫০ য়ৌরে হায়দুনা মীয়ামদা য়োল্লিবা পোৎলমশিং অসিসু লৈঙাক অসিনা য়াম্না মমুৎ তানা য়েংশিনবীগদবনি। মদু নৎত্রগদি লৈঙাক অসিনা অকোয়বগী খল কন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি অরেম্বা তারগা মাঙগনি হায়না এদিসননা মখা তাখি।

খূবাক ঈশৈগী কুম্মৈ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮, (ঐচ এন এস):

সঙ্গিট নাটক একাদেমি, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা রিপর্টরি ফোর পর্ফোর্মিং আর্টস ওফ মণিপুর (রিপাম) না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা খূবাক ঈশৈগী কুম্মৈ ২০১৮ ঙসি ইম্ফালগী তুলিহল এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা ভেল একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিগী হান্নগী সেক্রেটরি এস বিদেশ্বরনা চীফ গেষ্ট অমসুং ভেল একাদেমিগী প্রিন্সিপাল প্রসান্ত লাইশ্রমনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এস বিদেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী কন্টেক্স অসিদা কলচর খঙদবা য়ারক্তে। আর্ট এন্দ কলচরনা মতম-মতমগী খুন্নাই অমগী মশক তাকপা ঙম্লিবনি। আর্ট এন্দ কলচরদা অসুক্কী মতিক দিসিপ্লিন লৈ। অসিগুম্বা থৌগল্লোনশিং অসি মহৈরোয়শিংদা লৈনবা অমসুং মুৎখিদনবা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপনি। মহৈরোয়শিংনসু লাইরিক তম্বীবা খক নৎতবদা লাইরিক তম্না-তম্না আর্ট ফোর্ম অমমম্সু নৈনদুনা চৎপা তঙাইফদবনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট প্রসান্ত লাইশ্রমনা মণিপুর অসি কলচরনা মালেমদা শক তাক্লিবনি। মালেমগী ফাওর-ফাওরবা লৈবাকশিংসু মশা-মশাগী ফজখ্রবা কলচর লৈরিবনি। অদুবু লমদম অসিগী ফজখ্রবা কলচর অসি তপ্না-তপ্না শিথরকপগুম তৌরি। অসিগুম্বা কলচর অসি হল্লক্নবা রিপর্টরি ফোর পর্ফোর্মিং আর্টস ওফ মণিপুর (রিপাম)না হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা খূবাক ঈশৈগী পর্ফোমেন্স অমসু উৎখি।

হোস্পিটালগী মতাংদা সী এমনা উনসি হায়রক্লে : জে এ সী

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মতাংদা সী এমনা উনসি হায়রক্লে হায়না জে এ সী এগেনষ্ট অননেচরেল শিফটিং ওফ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাং ইম্ফাল ইষ্টকী কো-কনভিনর এস য়াইস্কুলনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এস য়াইস্কুলনা হায়খি, শগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই হায়না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। মমাং থাগী ২২ দা চীফ মিনিষ্টরগা উনবসু লৈখ্রে। মখা তানা হয়েং অমুক চীফ মিনিষ্টরনা উনসি হায়রক্লে। পোজিটিব ওইবা মায়কৈদা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরকসিদা, কনাগুম্বশিংনা হোস্পিটালগা মরী লৈননা ৱাকৎ মীফমনচিংবা ফম্বা কয়া অদু তৌবীগনু। হোস্পিটালগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানগনি। পোজিটিব ওইবা মায়কৈদা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংদা শাবা হায়বসি য়াম্না মফম চাবা অমনি। সাইকুল য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াগী মীয়াম্না অনা-লায়েংগীদমক শগোলমাংদা লাক্করিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা খুঙ্গং চৎসি হায়বনচিংবা মিসন কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিগী ৱাহন্থোক লৈহল্লক্কনি হায়না থাজে। হীরম কয়াদা শোথদুনা লৈরবা লমদম অসোমগী মীয়াম্না অনা-লায়েংগীদমক খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি য়েংলগা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

লাই হরাওবদা *লমহেনবা পাখঙ ও...*

লামায় ১গী মখা... অদুসু লাই হরাওবগী থৌগল তৌবা মখা তানা অথিংবা থল্লগনি। অথিংবা থল্লে হায়রিবা বেন্দ পার্টি অদুদি খা পোৎশংবমদা লৈবা থোংনাং পাঙ্গলবা ম্যুজিকেল এসোসিএসননি। কাঙলোন কায়না লাই হরাওবনা খুন্নাই অসিদা কয়াম য়াম্না মাঙহল্লকপগে অমসুং তৌহৈদবা থবকনি হায়বশিং অদু ঙসি মরী লৈনরিবা খূদিংমক কৌখৎলগা ৱাখল তামিন্নরে। মতুং তারকপদসু অমাইবা-অমাইবীশিং অমসুং বেন্দ পার্টিশিংনা কাঙলোন কায়না লাই হরাওবগী থবক থৌরম পাঙথোকপীগনু। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবী অমাইবী সোরোখাইবম ওংবী এলাংবম নিংঙোল সুশিলানা হায়খি, কাঙলোন কায়না লাই হরাওবগীদমক মঙোন্দা উকলনা পীরিবা চৈরাক অসি ইশানা য়ানা লৌজরে। মতুং তারকপদা মহাক্না লাই হরাওবগী লাইবুংদা কারকপা থোক্লগদি উকলনা পীখিবা লাই হরাওবগী কাঙলোনশিং অদু ঙাক্না চৎকনি।

য়েলহৌ ফৌ মখলশিং মাঙখিদনবা ...

লামায় ১গী মখা... য়াওহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রোনা হায়খি, লৌউ-শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্নবা মতমগা চুনবা লৌউ পথাপ কয়া শীজিন্নবা তঙাইফদে। ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌদুনা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহনবা হোৎনবা চঙই। কুমজা ২০১৮-১৯ দা ষ্টেট অসিদা ফৌ মেট্রিক টন লাখ ৮ লোম পুথোক্লবা পান্দম থল্লি। দবল ক্রোপিংগী থবক নীংথিনা পায়খৎনবগীদমক কম্মিটি অমসু শেম্লে।

আই সী এ আর, সী এ য়ুনচিংবগী ওফিসলশিং য়াওবা কম্মিটি অমসু শেমদুনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা য়েংশিন্নবা মীৎয়েং থল্লি। ৱাংবলদা লৈবা রাইস রিছার্স সেন্টর অসিসু শেমগৎ-শাগৎপগী থবক য়াম্না কন্না চথরি। সীদ বেঙ্কনচিংবা নীংথিনা থমদুনা লৌউ-শিংউগী থবক্তা খুমাং চাউশিন্নবা মীৎয়েং চঙলি। লমদমসিদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা তোঙান-তোঙানবা ফৌ মখলশিং মাঙখিদনবা য়োকখৎপগী থবকসু চথরি। মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ফৌ মখল কয়া রাইস রিছার্স সেন্টর অসিদা থল্লি।

লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈনবা স্কিম কয়া অমসু পায়খৎলি। স্কিমশিং অসিগী খূদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনবা তাই। লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা প্রোজেক্ট দিরেক্টর এ টি এম এ/দি এ ও ইম্ফাল ইষ্ট এন শরতনা হায়খি, লৌমীশিংনা পূনশিন্দুনা কম্পেক্ট ওইনা লৌউ-শিংউগী থবক অসি চঙশিনবা তঙাইফদে। লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা পায়খৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী খূদোংচাবসু লৌমশিংনা ফংনবা হোৎনবা চঙই। লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক লৈঙাক্না তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়গী জেদ পি ময়াংলম্বম তোম্বসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। এগ্রিকলচরেল ফ্যের অদুদা লৌমীশিংনা পুথোকপা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়া উৎখি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ষ্টোলসু হাংদুনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা হীরম কয়া উৎখি।

ন্যুট্রিসন ৱাৎপদগী থোরকপা য়াবা লায়নাশিং খঙমিন্নগদবনি : রাজো

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

ন্যুট্রিসন ৱাৎপদগী লায়না মখল কয়া থোরকপা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়না হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডো. কে রাজোনা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা সী এম ঈ প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা শীন্দুনা পব্লিক হেল্থ ন্যুট্রিসন হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা সী এম ঈ প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডো. কে রাজোনা হায়খি, ন্যুট্রিসন ৱাৎপদগী লায়না মখল কয়া থোরকপা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অঙাংশিংদসু ন্যুট্রিসন ৱাৎপদগী লায়না লায়ওং কয়া লাকপা য়াই। অসিগুম্বা লায়নাশিং অসি লাক্তনবগীদমক নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। তোঙান-তোঙানবা লায়না মখল কয়া নাবা মীওইশিংনা করি-করি চিঞ্জাক চাগনি হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। দাইবেটিস নাবা, কিদনি নাবা মীওইশিংনা করি চিঞ্জাক চাগদগে হায়বসিসু নীংথিনা খঙবা চঙই। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক বেলেন্স দাইট হায়বসি য়াম্না মরু ওই। পব্লিক হেল্থকী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংগা তানদুনা নীংথিনা অফবা চিঞ্জাক চানবা হোৎনগদবনি। মীওইবগী পূন্সিদা হকচাং ফনা লৈবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। হকচাং ফন্না লৈনবগীদমক অফবা চিঞ্জাক চাবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্না ন্যুট্রিসনগী মতাংদা খঙবা অমদি মতম চানা অফবা চিঞ্জাকশিং চাবা চঙই।

অফবা চিঞ্জাক চাবগী মরুওইবশিং খঙবগা লোয়ননা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনসি। পব্লিক হেল্থকা মরী লৈননা ঙসিগী সী এম ঈ প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। সী এম ঈ প্রোগ্রাম অসিদা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংগনি। অসিগুম্বা মরুওইবা থৌরম অসিদা অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসি নীংথিনা খঙনবা হোৎনবা মরু ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

সী এম ঈ প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী এদিসনেল দিরেক্টর ডো. কে ঐচ শশিকুমার মঙাংসু দেজদা ফমখি। তুংদা টেক্নিকেল সেসন পাঙথোক্তুনা রিছোর্স পার্সন কয়ানা পব্লিক হেল্থকী মতাংদা ৱা ঙাংখি। দেপ্যুটি দিরেক্টর পব্লিক হেল্থ ডো. ৱাই প্রেমচন্দ্রনা পব্লিক হেল্থ ন্যুট্রিসন ওভরভিয়ু এন্দ লাইফ কোর্স ইভোল্যুসন ওফ ক্রোনিক দিজিজ হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

সোর্ট টার্ম অমসুং এদভান্স কোর্সকী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

একাদেমীক সেসন ২০১৮-১৯ গী ওইনা টেলরিং এন্দ কট্টিং, ৰিভিং, কার্পেন্টরিদা চহী ১ গী এদভান্স কোর্স তম্নবা অমসুং ইম্ব্রোইদরি, ৱুল নিট্টিংদা থা ৬ কী সোর্ট টার্ম কোর্স তম্নবা চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অপাম্বা কেন্দিদেটশিংদগী প্রিস্ক্রাইব ফোর্মশিংদা এপ্লিকেসন কৌরি।

প্রিস্ক্রাইব এপ্লিকেসনশিং অদু জেনরেল মেনেজর, দি আই সী/সী টি টি সী, পোরোম্পাৎকী ওফিসতগী লৌবা য়াগনি হায়না জেনরেল মেনেজর এস ঐচ জনাকিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না, খল্লবা কেন্দিদেটশিং মখোয়গী এটেন্দেন্সকী মতুংইন্না সোর্ট টার্মগী থাদা লুপা ১৫০ অমসুং এদভান্স কোর্সকীনা থাদা লুপা ২০০ ষ্টাইপেন্দ ওইনা ফংগনি।

তঙাইফদবা ক্বালিফিকেসনদি সোর্ট টার্মগীনা ক্লাস আইট পাসনি অদুগা এদভান্স কোর্সকীনা য়ামদ্রবদা ক্লাস টেনগী ষ্টেন্দর্দ ওইবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ত্রেদতা ইলিমেন্টরি কোর্স পাস তৌবসু ওইগদবনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা তারিখ ২২.০৬.২০১৮ নি অমসুং ট্রেনিশিং খনবগী ইন্টরভিয়ুনা ২৭.০৬.২০১৮ গী অয়ুক পুং ১১ দা সী টি টি সী, পোরোম্পাৎকী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোলশিং ওফিস মতমদা ওফিস অসিদগী খঙলবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

মহৈরোয়শিংদা ৱারী শাননবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিনশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবদা ভাইস চাঞ্চেল্লরগী কেম্প ওফিস (রেজিদেন্স) তা প্রোফেসার অদ্য প্রসাদ পান্দে, ভাইস-চাঞ্চেল্লরনা চেয় লৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

কম্মিটিগী মীফম অদুনা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবদগী য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা খন্নখি অমসুং মরুওইবা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় পুম্নগী য়েংদুনা লোয়ননা ষ্টেট পুম্নগী খল্লগা মহৈরোয়শিংগী মীহুৎশিংদা প্রোব্লেমশিং লৈখায় তানবা ৱারী শাননবা আপিল তৌবা হায়না মোত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখি। মহৈরোয়শিংগী খোঙজং অদুনা মরম ওইনা হৌজিক চংথরিবা এম এ/এম এস সী/এম কোম/এম আই এল এস সী (২শুবা অমসুং ৪ শুবা সেমিষ্টরশিংগী) ইগজামিনেসন, ২০১৮ পাঙথোকপা ঙমখিদে অমসুং হায়রিবশিংসি রিসেদ্যুল্দ তৌবা তারি হায়না রেজিষ্ট্রার ইন চার্জ প্রোফেসার এম শ্যামকেশোগী খুৎয়েক য়াওবা আপিলগী চেরোল অমনা হায়রি।

অসুম্না দিনশিংগী কম্মিটিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ওফিস বিয়ারশিংদা মহৈরোয় কম্যুনিটিগী খন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদেমিক প্রোগ্রাম মহৌশাগী ফীভমদা নীংথিনা হঞ্জিনহনবদা এদমিনিষ্ট্রেসনদা কোওপরেসন পীনবা অমুক হন্না আপিল তৌরি। মহৈরোয়শিংগী অশেংবা পেন্দবগী ৱাকৎ কয়াবুসু য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবা য়ানবা ৱারী শানদুনা খন্নরসি হায়না মখা তানা হায়জরি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এম পিগী সীট অনীমক বি জে...

লামায় ১গী মখা... কয়াসু উনদুনা মোত কয়াসু লৌখি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগা খুৎশম্নুনা চৎতুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক মাংজিল থানা চঙশিন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরক্লি। খেলো ইনি দয়াগী মখাদা শান্ন-খোৎনবগী লম্দসু থবক কয়া পায়খৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভবানন্দ, সেক্রেটরি এন নিম্বসসু শরুক য়াখি।

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা মিজলস লায়না...

লামায় ১গী মখা... ফোঙদোকখি। এদিসনেল দিরেক্টর এফ দব্লিয়ু এম ডো. টি ঐচ সোমোরেন্দ্রোনসু মীয়ামদা মীপাইদনবা অমসুং মখোয়গী অঙাংশিংবু অথুবা মতমদা টিকা থাননবা আপিল তৌখি। ডো. জাম থাইনলালনা হায়খি, মদুদি, হৌখিবা মে ২৭ তা কে সিনাই খুলদা লৈবা চহী ৫ গী অঙাং অমা লাইহৌ কন্না হৌরকখি। নুমিৎ নীনি লৈরগা অঙাং নুপীমচা অদুগী হকচাং অদু মফম কয়াদা ঙাংলি-ঙাংলি খামগৎলকখি। লোয়ননা মহাক্কী মনাতোনদা নপ মহী চেন্থরকখি। মমীৎ অনীমক ঙাওলকখি অমসুং লোক খূরকখি। তৌইগুম্বসুং মঙোন্দা হীদাক লাংথক অমত্তা পীখিদে।

হৌখিবা জুন ৪ দা অঙাং অদু অশেংবা ডোক্টর নৎতবা মীওই অমদা য়েংহনখি। মহাক্না হীদাক-লাংথক খরা থারকখি। মথংগী নুমিৎ জুন ৫গী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবদা অঙাং অদু শিখি। লৈখিদ্রবা অঙাং অদু মিজলস নৎত্রগা রুবেলাগী টিকা থাখিবা লৈতে হায়বা খঙবা ঙম্লে।

GOVERNMENT OF MANIPUR

DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES

NOTIFICATION
Imphal, the 8th June, 2018

No. BVSc/TRG/2018 -Vety : Applications in the prescribed format are invited from intending candidates appeared in the National Eligibility cum Entrance Test (UG) – 2018 / NEET (UG) – 2018 conducted by Certral Board of Secondary Education having the following Eligibility Criteria for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course for the academic session, 2018-19 at different Veterinary Colleges as State Government Nominee. The Prescribed application form shall be available on payment of Rs. 100/- (Rupees one hundred) only from the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong **from 11th June to 22nd June, 2018.**

The duly filled up prescribed Application Form along with the required documents/testimonials should be submitted to the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong on or before the dates and time as detailed below :

PARTICULARS	DATE
1. Issue of Application Form	- 11th June to 22nd June, 2018 (10:30 a.m. to 4:00 p.m)
2. Submission of Application Form	- 15th June to 23rd June, 2018 (10:30 a.m. to 4:00 p.m) (on working days)

The Selection of Intending Candidates for undergoing the said course will be based on the merit of NEET (UG) – 2018 result as notified earlier.

Eligibility Criteria :

a) Passed Higher Secondary (10+2) Science Examination/equivalent Examination in all subjects from a recognized Board/Council/University with a minimum of 50% marks of aggregate in English, Physics, Chemistry, and Biology for General and OBC categories and 47.5% marks in respect of ST / SC / Other Special categories in one sitting.

b) Candidates must have attained a minimum of **17 years & not more than 25 years of age on 31st December, 2018.** There shall be relaxation of maximum age by 5 years for Schedule Caste (SC) / Schedule Tribe (ST) & Other Backward Class (OBC) candidates.

c) Candidate should be a bonafide domicile of Manipur.

In case of In-service candidates of the Department, a certificate on that behalf from the Head of Department shall be enclosed and the candidate snall apply through proper channel so as to reach this Directorate on or before 23rd June, 2018 (10:30 a.m. to 4:00 p.m.).

Sd/- **H. CHAOBA SINGH**
***Director,* Vety. & A.H. Services, Manipur**

HL-P/1594/9&10